# রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গে শ্রী লঙ্কাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রে রাজাপক্সাগী এসএলপিপিনা ৱিক্রেমেসিঙ্গে শৌগৎখি

কলম্বো, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাগী এক্তিং প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেবু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইথৎ লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রে। মহাক্না ওপোজিসন্না শৌগৎপা রুল্লিং শ্রী লঙ্কা পোদুজানা পেরামুনা (এসএলপিপি) গী রেবেল লিদর আম ওইরিবা দুলাস অলাহপ্পেরুমাবু মায়থীবা পীখি।

এক্তিং প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা লৈবাক অসিদগী চেনখ্রবা গোটবয়া রাজাপক্সাগী মহুৎ শিল্লগনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাথীবা ইকনোমিক ক্রাইসিস মরক্তা মীয়ামগী অশাউবা ফাথবা ঙল্লকখিদবগা লোয়ননা নুমিৎ তরানিগী মমাঙদা মফম থাদোকখিবনি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনবদা ৱিক্রেমেসিঙ্গেবু রাজাপক্সাগী এসএলপিপিনা চাওনা শৌগৎখি। ইলেক্সন অদুদা মায় পাক্লবা মতুং অনৌবা প্রসিদেন্টনা ওপোজিসন লুচিংবা সজিদ প্রেমাদাসা অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্টশিং মহিন্দ রাজাপক্সা অমসুং মাইথ্রিপালা সিরিসেনা য়াওনা অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংদা



মহাক্না লোয়ননা খুৎশন্নুনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা লৈবাক অদুবু শাথিরবা ইকনোমিক ক্রাইসিস অদুদগী কনমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা পুং ৪৮ অসি ঐখোয় মশেল অমগা অমগা নাকপাক তান্নখি। হৌজিক্তি মদুগী মতম লোইরে অমসুং পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতম ওইরে। ভোট লৌনবা অদুদা রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ভোট ১৩৪ ফঙখি। দুলাস অলাহপ্পেরুমানা ভোট ৮২ অমসুং লেপটিষ্ট জনাথা ভিমুক্তি পেরুমুনা (জেভিপি) গী অনুরা কুমারা দিসানায়াকেনা ভোট ৩ ফঙখি।

মেম্বর ২২৫ লৈবা হাউস অদুদা মায় পাক্কদৌরিবা কেন্দিদেট অদু মেম্বর ১১৩ না শৌগৎপা মথৌ তাখি। তৌইগুম্বসুং শুপ্পগী মেম্বর ২২৩ না ভোট থাদবা অদুদা শরুক য়াখি অমসুং মেম্বর অনীদি মদুদা য়াওখিদে। ভোট মরিনা ইনভেলিদ ওইখি। ভোটিং প্রোসেস অদু মওং মরিল তানা চৎখিবগা লোয়ননা শ্রী লঙ্কান পার্লিয়ামেন্ট টেলিভিজনদা লাইভ ব্রোদকাষ্ট তৌখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি লোত্তুনা লৈখিবা শ্রী লঙ্কাগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সা অমসুং মহাক্কী মচানুপা নামল রাজাপক্সা পার্লিয়ামেন্টদা লাক্তুনা ভোট থাদবা য়াওখি। ভোট থাদনগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ওপোজিসন লিদর অমসুং সমাগি জানা বালাৱেগয়া (এসজেবি) গী কেন্দিদেট সজিদ প্রেমাদাসানা কন্টেষ্ট অদুদগী ৱিদ্রো তৌনবা অমসুং অলাহপ্পেরুমাবু শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখি। মহিন্দ রাজাপক্সাগী পার্টি এসএলপিপিগী মেম্বর অমা ওইরিবা অলাহপ্পেরুমা ওপোজিসনগী কেন্দিদেট ওইরকখিবনি। মহাক হান্নগী গভর্ণমেন্টদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ওইখি।

মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর তরক্লক ওইখ্রবা ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা মহাক্কী মরু ওইবা মথৌদি একজিক্যুটিব প্রসিদেন্সি রিফোর্ম তৌবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিবু শেল থুমগী ক্রাইসিসতগী কোকহন্নবা অনৌবা শেল থুমগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা অসিনি হায়খি।

সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসিদা শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমগী মরক্তা মীয়াম্না অকনবা প্রোটেষ্ট চৎথরকখিবগা লোয়ননা গোটবয়া রাজাপক্সানা প্রসিদেন্টগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর মহিন্দ য়াপা অবে ৱার্দেনানা মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা ৱিক্রেমেসিঙ্গেবু এক্তিং প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

# 'থীবা খঙখিদ্রবা বেলোচ মীওই কয়া পাকিস্তানি সেক্যুরিটি ফোর্সকী কষ্টদিদা হাৎলি'

ইস্লামাবাদ, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

থীবা খঙখিদ্রবা বেলোচ কাঙলূপকী মীওইশিং পাকিস্তানি সেক্যুরিটি ফোর্সকী কষ্টদিদা হাত্তোকপীরি হায়না হ্যুমেন রাইট এক্তিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বেলোচ হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট মামা কবির বেলোচনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি বেলোচ কাঙলূপকী মীওইশিংবু মথোঙ মরম খঙদনা মাঙহনখিবদা অমদি মখোয়বু পাত্তক্লনা হাৎপদা পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিং হকথেংননা চেন্নে।

ঐখোয়গী ক্লেমশিং অসিগী ইভিদেন্স কয়া লৈ হায়না বেলোচিষ্টান পোষ্টনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি। ভোইজ ফোর বেলোচ মিশিং পার্সন্স (ভিবিএমপি) না ক্বেটা প্রেস ক্লবকী মমাঙদা নুমিৎ ৪৭২০ চুপ্পা প্রোটেষ্ট চৎখদুনা লাকখি।

সোসল অমসুং পোলিটিকেল লিদরশিংনা কেম্প অদুদা চৎতুনা থীবা খঙখিদ্রবা বেলোচ কাঙলূপকী মীওইশিং অদুগী ইমুংশিংদা মীনুংশি উৎখি। তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা ভিবিএমপি ভাইস চিয়ারমেন মামা কাদির বেলোচনা হায়খি, মদুদি মীওই কয়া নমদুনা ফারগা থীবা




খঙহন্দবা হায়বসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমনি।

বেলোচিষ্টানদা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথরিবা শাথিরবা থৌওং অসিদা পাকিস্তানি ষ্টেট চেন্নে। কাদিরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি বেলোচ নহারোলশিংবু ফাবা অমসুং ফারবা মতুংদা হাৎপদা পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিং হকথেংননা চেন্নে।

নমদুনা ফাখিবা বেলোচ নহারোলশিংবু অনকপা রেঞ্জতগী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলি অমদি মখোয়গী অশিবা হকচাংশিং অদু লম্ফাং তুমাংশিংদা লংথোকই হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি।

কাদিরনা হায়খি, মদুদি বেলোচ চা কয়া য়ুনিভর্সিটিশিং, কলেজশিং, মীয়াম তিনবা মফমশিং অমদি মখোয়গী ময়ুমদগী ফাখি অমদি হৌজিকসু ফাবা লেপত্রি। ফারবা মতুংদা মখোয়বু লোনা য়াদবা মওংদা সেলশিংদা থম্মী।

পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাজিল্লিবশিংদু অয়াম্বনা মহৈরোয়শিং অমসুং নহারোলশিং ওইরবসু মখোয়গী মরক্তা নুপী অমদি অহল ওইরবা মীওই কয়াসু য়াওরি। অসিগুম্বা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চথরিবা লৈবাক অসিনা মালেম পুম্ববু অপঙবা শীদুনা অফবা শাদুনা লৈরি হায়না মামা কাদরি বেলোচনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সাউথ কোরিয়াদা য়াম্না লৌনগনবা সব ভেরিয়েন্ট শন্দোরকপদগী নোংমদা কোভিদ কেস লিশিং ৭০ হেল্লে

সিওল, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

সাউথ কোরিয়াদা য়াম্না লৌনগল্লবা ওমিক্রোন সব ভেরিয়েন্ট অমা য়াম্না থুনা শন্দোরকপগা লোয়ননা থংন থংননা নীনি শুবা নুমিৎ ওইনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী অনৌবা কোরোনা ভাইরস কেস মশিং লিশিং ৭০ হেনখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোরোনা ভাইরস লাকশিন্নবগী অথিংবশিং কোমথোকখিবগা লোয়ননা ফিভম অসি লাক্লিবনি। কোরিয়া দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন এজেন্সি (কেদিসিএ) গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা অনৌবা কোভিদ ১৯ ইনফেক্সন ৭৬,৪০২ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং ১৮,৯৩৭.৯৭১ য়ৌখ্রে।

অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা মপানদগী চঙলকপা ৪২৯ য়াওখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নোংমদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং মমাঙগী নুমিত্তা লৈখিবা মশিং ২৬,২৯৯ দগী শরুক অনী হেনগৎতুনা ৭৩,৫৮২



য়ৌখি। নোংমগী ওইবা ইনফেক্সন মশিং থাংজ নুমিত্তা ৪১,৩১০ ওইখি অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তনা ৪০,৩৪২ ওইখি।

সম্মর হোলিদে সিজন হৌখিবগা লোয়ননা ওমিক্রোনগী সব ভেরিয়েন্ট বিএ.৫ অসি লৈবাক অসিদা হৌখিবা জুনগী অরোইবা শরুক্তগী য়াঙনা শন্দোরকখি। চয়োল অহুমলোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা নোংমদা থেংনবা কেস মশিং অসি জুন ২৯ দা লিশিং তরা হেনখি অমসুং জুলাই ৯ দা লিশিং ২০ হেনখিবগা লোয়ননা জুলাই ১৩ দনা লিশিং ৪০ গী মথক ওইখি।

কেদিসিএগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ভাইরস অসিনা মরম ওইরগা সাউথ কোরিয়াদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মীওই ১২ শিদুনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিং ২৪,৭৭৭ শুরে। শিবগী চাং অসি চাদা ০.১৩ নি। অরুবা ফিভমদা নাবা পেসেন্ট মশিং ৯৬ ওইদুনা মমাঙগী নুমিত্তা ৯১ ওইরম্বদগী হেনখি। জুলাইগী ৩ শুবা চয়োলদা মপানদগী চঙলকপা কেসশিং য়াওনা লৈবাক অসিগী অপুনবা কোভিদ ১৯ কেসশিংগী চাদা ৫২ দি বিএ.৫ সব ভেরিয়েন্ট অসিনা থোকহনবনি।

হেল্থ এজেন্সি অসিনা বিএ.৫ সব ভেরিয়েন্ট অসিগী রেসিও মখা তানা হেনগৎলক্তুনা লৈবাক অসিদা অথুবা মতমদা অসিনা লৈবাক অসিদা মরু ওইবা ভাইরস ষ্ট্রেন ওইরগনি হায়না থাজনরি।

হেল্থ ওথোরিটিশিংনা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিদা অনৌবা ভাইরস ৱেব অমা হৌরক্তুনা হৌখিবা মার্চকী ময়াই থংবা শরুক্তা খ্বাইদগী ৱাংবা ইনফেক্সন মশিং ওইনা ৬,২০,০০০ হেল্লম্বদগী হন্থরকপগী ট্রেন অমা লৈরম্বদু লোইখ্রে। হৌজিক নোংমদা থেংনবা ইনফেক্সনশিং মথংগী থাদা ২০০,০০০ দগী ফাওবা হেনবা য়াই।

# হেজবোল্লাগী এক্সনশিংগা মরী লৈননা ইজরেল্লি লিদরশিংনা লেবাননদা ৱার্নিং তৌখ্রে

জেরুসালেম, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

লেবাননদা বেজ তৌবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অমসুং পার্টি ওইরিবা হেজবোল্লাগী এক্সনশিংনা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎহল্লকপা য়াই হায়রদুনা ইজরেলনা লেবাননদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লেবানিষ্ট বোর্দরদা টুর অমা চৎখিবা মতমদা ইজরেলনা কিহল্লকপা খুদিংমক মায়োক্লনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর য়ায়ির লাপিদনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাননা শৌগৎপা হেজবোল্লা গ্রুপনা বোর্দর লান্না লেবাননদগী থারকখিবা দ্রোন অমা ইজরেল্লি আর্মিনা ইন্টরসেপ্ট তৌখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা লাপিদ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর বেনিবান্সনা খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিবনি।

লাপিদনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না খৎনবা অমসুং মুক্লবা পামদ্রবসু



ঐখোয়গী সোভরেন্টি নত্তগা ইজরেল্লি সিটিজনশিংদা এটেক্ট তৌনবা হোৎনরিবশিংনা মখোয়গী থৌওংশিং অদু য়াম্না শোইরে হায়বসি থুনা খঙলক্কনি।

করিগুম্বা ইরান নত্তগা মসিগী মীচংশিংনা মখা তানা কায়হৌবগী থৌওংশিং চথরকপা তারবদি ইজরেলনা মফম খুদিংমক হায়বদি কংফাল, সমুদ্র, নোংথক অমদি সাইবরদা শেম শাদুনা লৈ হায়না গান্সনা ৱার্নিং তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি লেবাননদা থোক্লিবা ক্রাইসিসনা মসিগী সিটিজনশিংদা শোকহল্লি হায়বসি ঐখোয় খঙই। লেবানন অমসুং মসিগী লিদরশিংনা করিগুম্বা মুক্লবগী লম্বী ওইনা খনবা তারবদি মদুনা মখোয়বু অদুক্কী মতিক শোকহনগনি হায়বসি হান্নদগী মখোয়না মুন্না খঙলবা ৱাফম অমনি।

মসি নত্তবা মওংদা মখোয়না লমদম অদুদা তং তাবা ফিভম লাকহন্নবগী লম্বীদা ওইনা চৎপা তারবদি মদুনা লেবানিষ্ট মীয়ামদসু মতেং ওইগনি।

পনবা য়াবদি, হেজবোল্লানা মরক মরক্তা রিকোনিসন্স মিশনশিংনি হায়দুনা দ্রোন কয়া ইজরেল্লি এয়র স্পেসতা থাজিনখিবনি।

# সুদানদা ট্রাইবেল মশেল খুৎ থোক্লবদা ১০৫ শিরে



খার্টুম, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

সুদানগী খা নোংপোক থংবা ব্লু নাইল ষ্টেটতা ট্রাইবেল মশেল খুৎ থোক্লবদা শিখিবা মী মশিং ১০৫ শুরে হায়না ষ্টেট অসিগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রে।

ব্লু নাইল ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী হেল্থ ইমর্জেন্সি এন্দ ইপিদিমিক কন্ট্রোল দিরেক্তরেটকী মকোক ওমের অদাম ওমেরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি লমদম অদুদা ট্রাইবেল মশেল মরক্তা হাৎন শুনবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২২৫ অশোক অপন নঙখ্রে। অরুবা ফিভমদা শোক্লবা মীওই ২০ কেপিটেল খার্টুমদা পুদুনা লায়কন্নরি।

খুৎ থোক্লবা অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ৮৪৭০ ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। ব্লু নাইল ষ্টেটকী কিষান এরিয়াদা লৌমী অমা হাৎখিবা মতুংদা ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা হন্দক্তা হৌশা অমসুং বেটা ট্রাইবশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখিবনি।

ভাইওলেন্স অদু ষ্টেট অদুগী অতৈ মফমশিংদসু শন্দোরকখিবগা লোয়ননা মীশি মীনা চাওনা থোকখিবনি।

# সিরিয়ানা রসিয়া শৌগৎতুনা য়ুক্রেনগা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নদনবা ৱারেপ লৌখ্রে

দমাস্কস, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

সিরিয়ানা মসিগী খ্বাইদগী নক্লবা মীচং ওইরিবা রসিয়াবু শৌগৎতুনা য়ুক্রেনদা লৈনরকখিবা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনরগনি হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

খোঙথাং অদু কিভনা লৌখৎলকখিবা মান্নবা খোঙথাং অমগী পাউখুম ওইননি হায়না দমাস্কসনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি সানাদা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনিয়ন গভর্নমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপকী পাউখুম অমসুং লমন খুম্বগী চৎনবীগী মতুং ইন্না সিরিয়ন আরব রিপ্রজেন্টনা য়ুক্রেনগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরী পুম্নমক তৎননবা ৱারেপ লৌরে।

পনবা য়াবদি, সিরিয়ানা রসিয়ানা শৌগৎপা য়ুক্রেনদগী তোখায়না তাখ্রবা লৈবাক অদুগী নোংপোক



থংবা লুগান্স অমসুং দোনেটস রিপব্লিকশিংবু শকখঙলে হায়না লাউথোকখিবা মতুং হৌখিবা থাগী অথেংবা মরক্তা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা মহাক্কী লৈবাক্না সিরিয়াগা মরী তৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

মতমদুদা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেন অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা মখা তানা মরী অমত্তা লৈনররোই। য়ুক্রেনদগী তোঙান তাদুনা নিংতম্লে হায়না লাউথোকচখিবগা লোয়ননা রসিয়ানা রিককনাইজ তৌখ্রবা দোনেটস অমসুং লুগান্স দোনবাস রিজনদা লৈরিবনি। য়ুক্রেনদগী নিংতম্লে হায়না লাউথোকচখ্রবা দোনেটস অমসুং লুগান্সপু মোস্কোনা রিককনাইজ তৌখ্রবা মতুংদা সিরিয়ানসু ষ্টেট অনীসিবু শকখঙলে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**

Imphal, the 20th July, 2022

No. 2/61/97-HSC/7496: In continuation of this office notification of even number dated13-07-2022, it is to inform to all concerned that the candidates as shown below shall appear the Practical Examination at T.G. Higher Secondary School, Imphal.

Therefore, the Principals concerned are to contact the Principal of the examination centre mentioned above for payment of the necessary Lab. fees of such candidates.

| Date of Examination : 23rd July, 2022 (Saturday) | | Time : From 10.00 a.m. to 1.00 p.m. | |
|---|---|---|---|
| Name of Examination Centre | Subject (s) | Roll Numbers | Total |
| T. G. Hr. Sec. School, Imphal | Geography | 417, 2921, 4634, 4670 & 8194 | 5 |
| | Human Ecology and Family Sciences | 1816, 3925, 5181, 7910 & 28936 | 5 |
| | Chemistry | 10701 | 1 |
| | Computer Science | 29360 | 1 |
| | Biology | 10835, 10840, 11368 & 21340 | 4 |
| | | GRAND TOTAL = | 16 |

N.B.: Roll Nos 1816 (Hfs), 2921(Ggr) and 4634(Ggr) should appear both Theory and Practical Examinations.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/7759/21

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation. Case No. 419/AS&SO/VII Dated:- 20/07/22**

Ningthoujam Kumari Devi W/o (L) N. Mangi Singh of Khangabok Moirang Palli Part-II. -Applicant

-Vs-

(L) Ningthoujam Mangi Singh S/o Cheitei Singh of Khangabok. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
20/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩ খাঙবোক পাটা নং ৩৩/২৭১০ (অরিবা), ১৫০৪ (অনৌবা), দাগ নং ৫১৪৫, এরিয়া .১৩৭৫ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাটাদার মৃ: ওইখ্রে,মৃ: পাটাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নিংথৌজম কুমারি দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপলকপা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি, নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M.Ningthembi Singh
Asst. Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt of Manipur

HL-P/3326/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 198/SDC/IW-L/2022**

Khumallambam Naresh Singh, S/o Kh. Lalmohon Singh of Moirangkhom Sougaijam Leirak - Petitioner

-VS-

Late Ayekpam (N) Khumallambam (O) Chandrabati Devi, W/o (L) Lalmohon Singh of Yaiskul Sobaijam Leirak -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
20-7-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অয়েকপম নিংঙোল খুমল্লম্বম ওংবী চন্দ্রবতি দেবী পীতা: মৃ: লালমোহোন সিংহ সাং য়াইস্কুল শৌবাইজম লৈরক্কী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৫-কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৯ দাগ নং ৭৭ এরিয়া ০.৮৯৫ একর চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
IW-Lamsang

HL-P/3478/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 226/SDC/Kumbi Dated: 22/07/22**

(1) Thangjam (O) Shilla Devi W/o (L) Th. Jiten Singh of Kumbi Makha Leikai.
(2) Thangjam Rocky Singh S/o (L) Jiten Singh of - do -
(3) Thangjam Adison Singh S/o (L) Jiten Singh of - do -
-Petitioners

-Vs-

(L) Thangjam Irambanda Singh S/o (L) Th. Thambou Singh of Kumbi Makha Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Kumbi, 18/7/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 64/Kumbi দা লৈবা পাট্টা নং: ১৬৫ (অরিবা) অমসুং ১০৭০/১৬৫৫ (অনৌবা) সী এস দাগ নং: ৫৪৮১/৫৯৩০ এরিয়া ০.২৩ একর চাওবা লম ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector:
Kumbi

HL-P/3481/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 336/SDC/Bishnupur, 2022.**

Thounaojam Memma Devi W/o (L) Haomom Herachandra Singh of Bishnupur Ward No. 6. -Petitioner

-Vs-

Haomom Herachandra Singh S/o (L) Iboton Singh of Bishnupur Ward No. 6. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Bishnupur, the 20-7-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Haomom Herachandra Singh S/o (L) Iboton Singh of Bishnupur Ward No. 6 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur পাটা নং 363 (অরিবা) 283/1499 (অনৌবা) সি:এস:দাগ নং 1137/4012 গী0.035 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাটাদার মশা মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট খারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector:
Bishnupur

HL-P/3458/21